## ট্রক ড্রাইভরদা মী হাৎপগী মরাল শীখ্রে

লন্দন, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
রেফ্রিজেরেটেদ ট্রক অমদা মীওই ৩৯গী অশিবা হকচাংশিং য়াওরম্বা থেংনখিবগী মতাংদা থিজিল্লিবা বৃটিশ পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা ট্রক অদুগী ড্রাইভরবু মী হাৎপা অমসুং হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী থৌওং চথরম্বগী মরাল শীখ্রে। পুলিসগী মতুং ইন্না নোরদর্ন আইরেলেন্দদগী মশাগী চহী ২৫ শুরবা মোরিস রোবিন্সন কৌবা ড্রাইভর অদু মীওই ৩৯ হাৎপা, মী লল্লোন্নবা লৌতুনরম্বা, লোনা য়াদবা মওংদা ইম্মিগ্রেসনগী থৌওংদা মতেং পাংনবা লৌতুনবা অমসুং মনিলোন্দরিংগী মরাল শীখ্রে হায়রি।

## টর্কিস লান্মী অমা শিরে, মঙা শোক্লে

ইষ্টাবুল, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
কর্দিস ৱাই পি জি মিলিস্যানা রোকেট অমসুং মোর্টার এটেক চথরকখিবদা সিরিয়াগী রাস অল-এয়ন লমদমদা টর্কিস মিলিটরি পর্সনেল ১ শিখ্রে অমসুং অতৈ মঙানা অশোক অপন নংখ্রে হায়না টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## ‘ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অল-বাঘদাদি য়ু এসকী রেইদতা শিরে’



ৱাশিংটন, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
মতম শাংনা ফাবা নৎত্রগা হাৎপা ঙমদনা লাকখিবা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেরর গ্রুপকী লিদর অবু বাকর অল-বাঘদাদিগী মায়োক্তা য়ু এস মিলিটরিনা রেইদ অমা চথখিবগা লোয়ননা মিলিটরি ওপরেসন অদুদা মহাক শিরে হায়না অমেরিকান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপরেসন অদুগী রিজল্টকী মতাংদা মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা আর্মি ওফিসলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ন্যুজৰিক্লা ফোঙদোকখিবদা, থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা রেইদ অদুদা আই এস আই এস লিদর অল-বাঘদাদি শিখ্রে। রিপোর্ট অদুনা হ্বাইট হাউসতা দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলসু পল্লদুনা মখা তানা হায়, মিলিটরি রেইদ অদুদা টার্গেট ওইরিবা আই এস লিদর শিরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা চাওনা লৈরে। হৌজিক দি এন এ অমসুং বাইওমেট্রিক টেষ্টশিং পাঙথোক্লগনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা সী এন এননা য়ু এস দিফেন্সকী সিনিয়র ওফিসল অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, থাংজ নুমিত্তা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা চথখিবা রেইদ অমদা অল-বাঘদাদি শিখ্রে। তৌইগুম্বসুং মিলিটরি ওপরেসন অদুগী মতাংদা নৎত্রগা অল-বাঘদাদি শিবগী মতাংদা ওফিসল কনফার্মেসন লৈত্রি। রিপোর্টশিং অদু ফোঙনরকখিবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা অচৌবা থৌদোক অমা থোক্লে হায়না ট্বিটরদা ফোঙদোকখি।

হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদগী থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অহিংদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা নোরদর্ন সিরিয়াদা চথখিবা মিলিটরি ওপরেসন অদুগী মতাংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী জি এম টি ১৩০০তা ৱারোল অমা লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং অকুপ্পাশিংদি পনখিদে।

হৌখিবা ওগষ্টতা ইস্লামিক ষ্টেটনা রিলিজ তৌখিবা অল-বাগদাদিগী অনৌবা ওদিও মেসেজ অমদা মহাক্লা মফম কয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটনা মায়থিবা নংলক্লিহায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মদু অলাহগী চাংয়েং অমনি হায়খিবনি। কুমজা ২০১১গী ওক্তোবরদা য়ু এসনা অল-বাঘদাদিবু টেররিষ্ট অমনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মহাকপু ফানবা নৎত্রগা হাৎনবগী পাউ পীবদা দোলর মিলিয়ন ১০গী শেলগী মনাা পীগনি হায়খিবনি।

## চিলিগী প্রসিদেন্টনা কেবিনেট পুম্বা লৌথোকখ্রে



সান্তিয়াগো, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
চিলিদা গভর্নমেন্ট অমা শেমদুনা মীয়াম্না দিমান্দ তৌরিবা সোসল রিফোর্ম কয়া পুরকপা য়ানবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট সিবেষ্টিয়ন পিনেরানা মহাক্কী কেবিনেট অপুম্বা দিসমিস তৌখ্রে।

থা অসিগী ১৮ দগী গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা মীয়াম্না লেপ্পুনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ১৯গী পুন্সি লোমখ্রবনি। ঐহাক্কী কেবিনেটতা পুমনৌ নৌবা মশক অমা লাকহন্নবগীদমক্তা মিনিষ্টর খুদিংমক্তা মফম থাদোক্লুবা খঙহনখ্রে। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা অনৌবা কেবিনেট অমা লৈহন্দুনা মীয়ামগী অনৌবা দিমান্দশিং অসি থুংহনবদা মতেং পাংলগনি হায়না প্রসিদেন্ট পিনেরানা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুদা সোসল জষ্টিস লৈহন্নবা তকশিল্লদুনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা কেপিটেল সান্তিয়াগোদা ঈংনা চিক্লা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা মীওই মিলিয়ন অমা হেনবনা শরুক য়াখিবনি। সান্তিয়াগো অমসুং অতৈ সিটি অহুমদা ইর্মজেন্সিগী ফিভম য়েংশিল্লিবা মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা থাংজ নুমিত্তগী কর্ফিয়ুনচিংবা ইর্মজেন্সিগী ফিভম অমত্তা লৈররোই হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট পিনেরানা মিনিষ্টরশিংদা রিজাইন তৌনবা খঙহনখিবনি।

## বর্সেলোনাদা পুলিসকা কটালান সেপরেটিষ্টশিংগা খুৎ থোক্নখ্রে




বর্সেলোনা, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
কটালোনিয়াগী কেপিটেল বর্সেলোনাগী ময়াই থংবা শরুক্তা থাংজ নুমিত্তা দেমোনষ্ট্রেটর লিশিং কয়াগী মরক্তা য়াওরিবা হকচিনবা ৱাখল চেনবা সেপরেটিষ্টশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্নখিবগা লোয়ননা স্পেনিস প্রোভিন্স অদুগী প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স প্রোটেষ্টশিং কনশিনখ্রে হায়রি।

প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোজেক্টাইন কয়া কাপখিবদা মীওই ৬ অশোক অপন নংদুনা লায়কন্নখি। পুলিসনা দোমোনষ্ট্রেটরশিংদা ফোর্স শীজিন্নবা হৌরকখিবা মতুংদা প্রোটেষ্টশিং অদুদা শরুক য়ারিবা কয়ানা লম্বীদা লৈবা বেরিকেদ কয়া মৈ থাখি।

মাইখুম উপ্পা নহা ওইরিবা মীওই কয়া স্পেনিস পুলিস হেদ ক্বাটর মপান্দা পুন্দুনা পুলিসকা কন্না মুন্নখি হায়রি। সিটি অদুগী টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা মফম অদুদা প্রোট্রেষ্টরশিংগা পুলিসকা মুক্নদুনা মতম শাংনা লৈরিবা অদুনা লমদম অদুগী নীংতম ইহৌ অদুদা শরুক য়ারিবশিংগী মরক্তা হকচিনবা ৱাখল চেনবা সেপরেটিষ্টশিং অমদি মাদ্রিদকী ৱাফমশিং খন্নবা পান্বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রবা এলিমেন্টশিংগী মরক্তা নাকপাক তান্নরকপগী মমি অমা লাক্লে হায়বসি ওবজার্ভশিংনা উনবা ফংখি।

প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা মতম শাংনা অমনা অমগী মায়োক্তা কা হেনবা থৌওংশিংদি চথদনা ফিভম শেমলগা লৈরবা মতুং মমৈথংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু তানখায়দুনা সিটি অদুগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংদা কায়দুনা চৎহনখি।

থা অসিগী ১৪ দগী বর্সেলোনাদা নুমিৎ খুদিংগী প্রো-ইন্দপেন্দেন্স প্রোটেষ্টশিং চথরকখিবনি। পনবা য়াই, কুমজা ২০১৭দা কটালোনিয়াবু স্পেনদগী নীং খা তম্না লৈবা য়ানবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দম অমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা পোলিটিসিয়ন ৯ অমসুং এক্তিভিষ্ট কয়া স্পেনগী সুপ্রিম কোর্টনা ওক্তোবর ১৪ দা জেলগী চৈরাকশিং পীখিবনি।

## অফঘান, য়ু এস ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটর ৮০ হেন্না হাৎখ্রে



কাবুল, ওক্তোবর ২৭(এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী কন্দাহর অমসুং ফরিয়াব প্রোভিন্সশিংদা অফঘান অমসুং য়ু এস ফোর্সশিংনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা চথখিবা এয়র রেইদশিংদা টালিবান ফাইটর ৮০ হেন্না শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং থংবা প্রোভিন্স ফরিয়াবকী পুলিস চীফ অব্দুল করিমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান ফাইটর কাঙবু অমনা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা পাসতুনকোট দিষ্ট্রিক্তা লৈবা সিক্যুরিটি চেক পোইন্টশিংদা এটেক তৌখি। অফঘান এয়র ফোর্সনসু মফম অদুদা লৈরিবা টালিবান ফাইটরশিংদা টার্গেট তৌদুনা এয়র রেইদ কয়া চথরি।

মহাক্লা এনাদোলু এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, রেইদশিং অদুদা য়ামদ্রবদা টালিবান ফাইটর ৫৩ শিখি অমসুং ১১ না অশোক অপন নংখি। খা থংবা কন্দাহর প্রোভিন্সতা য়ু এস ফোর্সশিংনা মারুফ অমসুং সাহ ৱালি কোর্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা চথখিবা এয়র রেইদশিংদা টালিবান ফাইটর ১৩ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ৮ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না প্রোভিন্সিএল হেদ ক্বাটরসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা টালিবান্না কান্দাহরদা য়ু এস কনভোই অমদা আই ঈ দি এটেক চথখ্রে হায়না ক্লেম তৌখ্রে। গ্রুপ অদুগী স্পোক্সমেন কারি য়ুসুফনা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদুদা আর্মদ ভেহিকল অমা মপুং ফানা অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মদুদা তোংলিবা খুদিংমকসু শিখি।

অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সেসনদি থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। হৌজিক হৌজিক অফঘানিষ্টানগী লম তম্মায় অমরোম কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা টালিবান্না অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌদুনা নোংমতা কাংদবগী ফিভমদা চোকথবা নাইদনা এটেক চথদুনা লাকখিবনি।

## য়ু এসকী ৱারেপ রসিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে




মোস্কো, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী নোংপোক থংবা লমদমদা লৈরিবা ওইল ফিল্ডশিং ঙাক শেন্নবা লমদম অদুদা আর্মর্দ ভেহিকল অমসুং কোম্বেট ট্রুপশিং থাজিন্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌখিবা ৱারেপ রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এসকী খোঙথাং অদু ওইল ফিল্ডশিং অদুবু আই এস আই এস হায়নসু খঙনবা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ লেভন্ট (আই এস আই এল) গ্রুপকী মখুত্তা তাহন্দনবগীদমক্তনি। য়ু এসনা ইনৌ নৌনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদুনা লৈবাক অসিগী মিলিটরি ফোর্সশিং সিরিয়াদগী হন্দোকপা হায়বসি শুইশোয় শোয়দ্রবা ৱাফম অমনি হায়বসিদা চিংনবা পোকহনবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মমাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগা তাইওন্নবগী ফিভম অমা লাকহল্লে হায়রি।

য়ু এসনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদগী ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুগা চান্নবা তোঙান তোঙানবা প্লেয়র কয়ানা থাংজ নুমিত্তা সিরিয়াদা ট্রুপ থাদোক থাজিন কয়া তৌনবা উখি।

মোস্কো অমসুং অঙ্কারাগী মরক্তা য়ানখিবা ট্রুস দিল অমগী মখাদা রসিয়ন মিলিটরি পুলিস সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা দিপ্লোই তৌরিবনি। মিলিটরি ভেহিকল ১০ হেন্না য়াওবা য়ু এস কনভোই অমা সিরিয়াগী নোর্থ ইষ্টর্ন সিটি কমিসিগী খা রোমদা চৎখিবগা লোয়ননা মদু থাউ মরাং কায়না ফংবা দৈর অজ জোর এরিয়া নৎত্রগা মনাক নকপা অতোপ্পা বেজ অমা পাংলিবনি হায়না থাজনখিবনি।

য়ু কেদা বেজ তৌবা ৱার মোনিটর অমা ওইরিবা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনসু কনভোই অদুগী মতাংদা পাউদম্লদুনা মদু ইরাক্তগী লাকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ট্রুপশিংগী অচৌবা কনভোই অমসু এম ৪ হায়ৱে পাংনা লাকখিবা উখি। সিরিয়ান ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি সানাগী মতুং ইন্না সিরিয়ন ট্রুপশিং অদু সিরিয়া-টর্কি বোর্দরগা নক্লুবা রাস অল-এইনদা চঙশিন্দুনা হায়ৱে পরিংদা লৈবা ভিলেজ ৮দা দিপ্লোই তৌখ্রে।

## পাকিষ্টানগী এয়র স্পেস শীজিন্নগে হায়বদা য়াখিদ্রে




ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লাক্লিবা সাউদি অরাবিয়া খোঙচত্তা পাকিষ্টানগী এয়র স্পেসতা মহাক্কী ভি ভি আই পি ফ্লাইট ফাওবা য়াহনবিনবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হায়জরকখিবদা য়াখিদ্রে হায়না পাকিষ্টান্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চথৈ হায়না ইন্দিয়াবু মরাল শীবগা লোয়ননা ন্যু দিল্লিনা হায়জখিবা ৱাফম অদু ইস্লামাবাদনা য়াখিদবনি হায়রি।

পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মোহমুদ কুরেসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু পাকিষ্টানগী এয়র স্পেস শীজিন্নবা য়াহন্দনবা ইস্লামাবাদনা ৱারেপ লৌরে। ষ্টেটনা চল্লাইবা রেদিও পাকিষ্টানগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ৱারেপ অদু জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা চথরিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিংদা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ওথোরিটিশিংনা কাশ্মিরগা মরী লৈননা হন্দক্তা লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা লাউথোকখিবা ব্লেক দেগা চান্ননা পাকিষ্টানগী এয়র স্পেস শীজিন্নবা য়াহন্দবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়না কুরেসিনা মখা তাখি।

কাশ্মিরিশিংবু শৌগৎপা উৎলদুনা পাকিষ্টানদা নোংমাইজিং নুমিত্তা ব্লেক দে ওবজার্ভ তৌনবা লেপখিবনি। পাকিষ্টান গভর্নমেন্টকী ৱারেপ অসি অইবা ওইনা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নরদা পীশিন্দুনা খঙহনখ্রে হায়নসু কুরেসিনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদি নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউদি অরাবিয়াদা চত্তুনা মফম অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল বিজিনেস ফোরম অমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগসু ৱারী শানদুনা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্ননৈনগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা সেপ্তেম্বরদসু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা য়ু এন জেনরেল এসেম্ব্লিদা য়াওননবা য়ু এসতা চৎনবগীদমক্তা মহাক্কী ফ্লাইট অদু পাকিষ্টানগী এয়র স্পেস লানবা য়াহনবিনবা ইন্দিয়ানা হায়জখিবদা পাকিষ্টান্না য়াখিদবনি। থা অদুমক্তদা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্না আইসলেন্দদা চৎকদবা মহাক্কী খোঙচৎকা মরী লৈননা পাকিষ্টানগী এয়র স্পেসতা মহাক্কী ফ্লাইট ফাওবা য়াহনবিনবা ইন্দিয়ানা হায়জখিবদসু ইস্লামাবাদনা য়াখিদবনি। ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা বলাকোটতা লৈবা জাইস-ঈ-মোহমদ (জে ঈ এম)গী টেরর কেম্পদা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চথখিবা মতুং হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা পাকিষ্টান্না লৈবাক অসিগী এয়র স্পেস মপুং ফানা থিংজিনখিবনি।

লৈবাক অসিনা হৌখিবা মার্চ ২৭ তা ন্যু দিল্লি, বেঙ্কোক অমসুং কুলা লম্পুরগী নত্তনা অতৈ ফ্লাইট পুম্নমক্কী ওইনদি এয়র স্পেস অমুক শীজিন্নবা হৌবা য়াহনখিবনি।

## মেগা-এয়রপোর্ট ইন্টরনেসনল ফ্লাইট সর্ভিস হৌখ্রে



বৈজিং, ওক্তোবর ২৭ (এজেন্সি) :
বৈজিংগী দোলর বিলিয়ন ৬৩ চঙনা শেমগৎ-শাগৎখিবা দাক্সিং এয়রপোর্টকী অহানবা সেদ্যুল ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌখ্রে। সিটি অদুগী হৌজিক লৈরিবা কেপিটেল এয়রপোর্টনা মায়োক্নরিবা প্রেসর কোমথোকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা অনৌবা এয়রপোর্ট অসিনা মসিগী ওপরেসনশিং কনখৎলকখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিংসু লোঞ্চ তৌখিবনি।

ওবজার্ভর খরনা ষ্টারফিস অমগী মওং মাল্লি হায়না ফোঙদোক্নবা লৈজরবসু ফিনিক্স অমগী মশক মতৌগা মান্নবা এয়রপোর্ট অদু মমিং লৈরবা ইরাকি ওরিজিন ওইবা আর্কিটেক্ট জহা হদিদনা দিজাইন তৌখিবনি অমসুং মদু পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা হৌদোকখিবগী ৭০ শুবা কুমওন নুমিৎ ওইরিবা ওক্তোবর ১গী মাঙওইননা হৌখিবা সেপ্তেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাখিবনি। এয়রপোর্ট অদুদা রনৱে মরি লৈবগা লোয়ননা চহী অমদা পেসেঞ্জর মিলিয়ন ৭২ ফাওবা হেন্দল তৌদুনা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা পেসেঞ্জর মিলিয়ন ১০০ ফাওবা য়ৌহনবা ঙমগনি হায়না চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা থাজরিবনি।

দাক্সিংদা লৈবা অনৌবা এয়রপোর্ট অদুদা মরু ওইবা দোমেষ্টিক করিয়রশিং ওইগদৌরিবশিংদি চাইনা সাউদর্ন এয়রলাইন্স অমসুং চাইনা ইষ্টর্ন এয়রলাইন্সনি। অনী অসিগী মথক্তা এয়র চাইনানসু ফ্লাইট খরা লৈহনগনি হায়রি।

বেঙ্কোক তম্না পাইবা এয়র চাইনাগী ফ্লাইট অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা এয়রপোর্ট অদু থাদোকখিবা অহানবা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট ওইখি। অমরোমদা বৃটিশ এয়রৱেজনা লন্দন ফাওবা অহানবা ট্রান্সকোন্টিনেন্টেল ফ্লাইট ওপরেট তৌগনি হায়রি। ফিনএয়র য়াওনা ফোরেন এয়রলাইন ৫০ রোম্না মখোয়গী চাইনা ওপরেসনশিং নৎত্রগা ওপরেসনশিংদুগী শরুক খরা লাক্লিবা মতম খরগী মনুংদা অনৌবা মেগা-এয়রপোর্ট অদুদা হোংননবা থৌরাং তৌরি হায়রি। এয়রলাইন্স খুদিংমক্লা অনৌবা এয়রপোর্ট অদুদা হোংলকপগী থবকশিং কুমজা ২০২১গী নীংথমথা ফাওবগী মপুং ফানা লোইগনি হায়রি।

/ পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা ওজা ABDUL HAK অতাঙবনি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অবদুল হককী হীদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি, পৈশা খক্তা চংখি, অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ওজা অবদুল হক থেংনজরুবদগী ওজাগী হীদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা, চেকখায়বা, শৌজদা থুপ্পা-শাবা, চিকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউ য়াদবনি। অৱাবা নুংঙাইতবা পূম্নমক অসি ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে। অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী ফোন নম্বরদি ৮৭৯৪৪২৯৬৮১ নৎত্রগা ৮০১৪৬২৩৭৫৬নি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

*থাগৎচরিবা :* **Ch. Amumacha**
Leishangthem Colony

HL-P/5090/28

**/খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা নাম্থরকপা, অমাংথোঙ মপান্দসু তৎলগা য়াম্না থুপ্পা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদসু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা নাম্থরকপা, অমাংথোঙ মপান্দসু তৎলগা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, ঈসু দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, তাংমুক শাংনা নাম্থরকপা অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা অমদি খূৎনা ইনশিনবসু য়াদবা, খোঙ অকনবা হামদ্রিমখৈ অমাংথোঙদা করিসু ফাওদবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা খোঙ অকনবা হাম্বা, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা শারগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোক্লগা লৈবা, মতম খরা লৈরগা মচা অমা অমুক পোমথোরকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং মরেং চৎলগা হাকৎচবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবসু য়াওবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা-নাবা, খোঙ নারগা থবক অমত্তা শূবা ঙমদবা, পোত্থারগতা লৈনীংবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5060/28 *থাগৎচরিবা :* **N. Bickey Meitei,** Keishamthong